### ৫শুবা জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

# সুপ্রিয়া থোকচোমনা বেষ্ট বোক্সরগী মনা ফংখ্রে





ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা খুমন লম্পাক্কী বোক্সিং এরেনাদা নুমিৎ তরুক্নি চুপ্পা চত্থরকপা ৫শুবা জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী বোক্সর সুপ্রিয়া থোকচোমনা বেষ্ট বোক্সরগী মনা ফংবা ঙমখ্রে।

রাজস্থানগী নেহা শর্ম্মনা বেষ্ট প্রোমিজিং বোক্সর অমদি মহারাষ্ট্রগী তনুশ্রীনা মোষ্ট চেলেঞ্জর বোক্সরগী মনা ফংবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা হরয়ানানা গোল্ড ৪, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ১০ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন অদুগা রাজস্থাননা গোল্ড ৩, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৭ ফংদুনা ওভরওল রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী নুপীমচা বোক্সর ৯না শরুক য়াখিবদা গোল্ড ১ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ২ ফংদুনা মণিপুরনা ৮শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎকী অয়ূক্তা শান্নখিবা কেজি ৫২-৫৪ কাঙলূপকী ফাইনেল বাউটতা ষ্টেটকী বোক্সর সুপ্রিয়া থোকচোমনা উত্তর প্রদেশকী ববিতা সিংহবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংগী ফাইনেল বাউটশিংদা মায় পাক্লুনা হরয়ানাগী লক্সমী সিংহ, পরি, বিধি অমদি রুদ্রিকা; রাজস্থানগী নিজারা বানা, খুশি পুনিয়া অমদি নিশা; উত্তর প্রদেশকী চলচল চৌধরি; উত্তরখন্দগী নিকিতা চান্দ; মহারাষ্ট্রগী স্রুষ্টি সাথি; টামিল নাদুগী এস এম দুর্গাশ্রী অমদি পঞ্জাবকী কৃশা বর্মা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ষ্টেটকী বোক্সর ময়েংবম সাগর চনুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা কেজি ৪৬-৪৮গী সেমীফাইনেল বাউটতা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা কামজোংগী এম এল এ লৈশিও কৈশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি হেমন্ত কুমার কলিতানা থৌরম মপু অদুগা দি জি পি, পি দোঙেল, য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈ, বি এফ আইগী ভাইস প্রসিদেন্ট নরেন্দ্র কুমার নির্ৱন, সাই এস টি সী ইম্ফালগী দেপ্যুটি দিরেক্টর এল ইবোমচা, ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পেনিজকী চ্যেরমেন ডা. টি ঐচ ধবলি অমদি বি আই পি এল ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী মেনেজিং দিরেক্টর এন ইবোচৌনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

## মীয়াম পূন্না খঙমিন্নরসি...

## কনা কনানা করম-করম্বা টিমদা লেপ্লি

জে সী মায়া




#### নুমিৎ ১৭নিগী মতুংদদি মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং য়েংবা ফংলগনি



*হিরো আই লীগ অমদি ষ্টেট সন্তোশ ট্রোফি টিমগী কোচ গিফ্ট রাইখান*

অরব লৈবাক্তা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসি য়েংলগা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা ফুটবোল্লরশিংদা হেন্না ইন্সপায়র তৌবদা নৎতনা অনৌ-অনৌবা ষ্টারশিংগী প্লে ষ্টাইল য়েংলগা হেন্না খঙবা অমসু ওইরগনি।

হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমা ওইগনি অমদি হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিং খক নৎতনা কোচশিংদসু অচৌবা কান্নবা অমা ফংবা ঙমগনি হায়না হিরো আই লীগ টিমগী কোচ ওইবতা নৎতনা ষ্টেট সন্তোশ ট্রোফি টিমগীসু কোচ ওইখ্রবা গিফ্ট রাইখাননা ফোঙদোরক্লি।

মেটচ মনুংদা প্লেয়র মঙা মতম অহুমদা শিনগদৌরিবা অসিদা ফর্ষ্ট হাফতা শিনগদৌরিরা, সেকেন্দ হাফতা শিনগদৌরিরা, করি মরমগী শিল্লিবনো হায়বনচিংবা কোচ অমা ওইনা ঐখোয়দসু য়াম্না তমজনিংঙাই ওইবা কান্নবশিং ফংগনি।

> *‘হন্দক্কী কটার ৱর্ল্ড কপ অসিনা লৈবাক অসিগী চহী নৌরিবা ফুটবোল্লরশিংদা ইন্সপায়র তৌবদা নৎতনা কোচশিংদসু কান্নবা পীরগনি’ - কোচ গিফ্ট রাইখান*

‘ঐগী ওইনা হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা অর্জেন্টিনা টিমদা সপোর্ট তৌই। মখোয়নসু ৱর্ল্ড কপ টাইটল লৌগনি থাজে।’

কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা টিম অয়াম্বা লোইনা ফজে। কটারগী নিংথৌনা খ্বাইদগী পামজবা শান্নরোয় ওইরিবা লিওনেল মেসি অমদি মালেমগী ফুটবোল ফেনশিংনা থোইনা হেন্না পাম্নরিবা পোর্টুগলগী ক্রিষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অনীগী অরোইবা ৱর্ল্ড কপসু ওইগদৌরি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লমদমদা পাঙথোকপা ওইবনা কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদা মমাং ৱর্ল্ড কপশিংদা ৱানা-ৱানা য়েংলম্বা অদু হন্দক্তি নুংঙাইনা য়েংবা ফংলগনি। ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিং অমদি ইন্দিয়াগী য়ুঠশিংনসু মেটচ য়েংবগী খূদোংচাবা ফংবদা নৎতনা ইমপ্রুভসু হেন্না লাকপা ঙমগনি থাজে হায়খিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীপূম খূদিংমক্না ৱর্ল্ড কপ অসিবু পূন্না মীৎয়েং তামিন্নরসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

### এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# লম্ফেল পোলো ক্লব, সী আর পি এফ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা ৩৬শুবা এন হাজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা লম্ফেল পোলো ক্লব অমদি সী আর পি এফ পোলো টিম মায় পাক্লুনা প্রিক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লম্ফেল পোলো ক্লবনা খুমন পোলো ক্লব ময়াং ইম্ফালবু ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

টি ঐচ রঞ্জননা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ৪.১১দা লম্ফেল টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। টিম কেপ্টেন প্রেমজিৎনা অহুমশুবা চক্করগী ০.২৫ অমদি ৩.৫২দা লম্ফেল পোলো ক্লবকী গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। এস অবুংনা অহুমশুবা চক্করগী ১.০০দা লম্ফেল টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা চক্করগী ০.১৭ অমদি ৫.০৭তা গোল ২ অমগা হাপচিন্দুনা খুমন পোলো ক্লবপু ৬-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

খুমন পোলো ক্লবগী গোল ২ অদুনা টিম কেপ্টেন এল রোশননা অহানবা চক্করগী ৫.৫৮ অমদি অহুমশুবা চক্করগী ১.৪২দা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সী আর পি এফ পোলো টিমনা মোইরাং পোলো ক্লবপু ৮-৬তা মায়থীবা পীখি।

সী আর পি এফ টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ও সমরজিৎনা অহানবা চক্করদা অনী অমদি অহুমশুবা চক্করদা অমা পূন্না গোল ৩, এ শ্যামানন্দনা অনীশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল অমমম্ পূন্না ২, টিম কেপ্টেন দিকননা অনীশুবা চক্করদা অমা অমদি এম রোপেননা অহুমশুবা অমদি ৪শুবা চক্করদা অমমম্ পূন্না ২ চনবা ঙমখি।

মোইরাং ক্লবকী গোলশিং অদুনা টি মণিসনা অমদি টিম কেপ্টেন টি ঐচজাদুমণিনা ৩/৩ চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা এল তরুন অমদি এল অতাঙবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

### মণিপুর ষ্টেট লীগ

# ক্লাসানা মুভানলাই এথলেটিক্স থোইখ্রে, ৱাই পি ঐচ য়ু অমদি নেসু দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্লাসা) কৈনৌনা মুভানলাই এথলেটিক্সপু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। সরাংথেম রাজধননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা ক্লাসাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। খুন্দোম লক্কিনা শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনখি। মুভানলাইগী থাংকিবেট কিপজেননা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ক্লাসাগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল ওইবা ঙমখিবনি।

মুভানলাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুসু থাংকিবেট কিপজেননা শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) ললাম্বুং অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) খুরাই ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

ললাম্বুং টিমগী গোল অদুনা লাইফ্রাকপম খেলজিৎ মৈতৈনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা নেসুগী গোল অদুনা নোংথোম্বম অভিনাশনা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

## রোজেনগী গোলনা জুভেনাইল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১১শুবা কে কর্নজিৎ সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জুভেনাইল ক্লব তেরানা কে এ এন কদাংবন্দবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

জুভেনাইল ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু রোজেননা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি হেমন্তনা জুভেনাইলগী প্রিয়াবোল অমদি কদাংবন্দগী এল বিকাশ শান্নবগী ৭৩ অমদি ২৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস ৱাই পি এ সেকমাই অমদি সোয়ো সঞ্জেনবম গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। মেটচ অসিদা রেফরিনা সেকমাইগী বুংঙোচা অমদি রাজেশ অদুগা সঞ্জেনবমগী রোবিনসনবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

## গোল্ড মেদলিষ্ট এলিনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

অরুনাচল প্রদেশকী কমেং দিষ্ট্রিক্টকী দিরোং ৱেষ্টতা ওক্টোবর ২৭তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোকখিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট জোনেল সব-জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংলকখিবী মোইরাংথেম এলিনাবু ঙসি এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোকনা শীন্দুনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

এলিনা হৈরোক পার্ট-টু কৈথেল মনিংদগী মোইরাংথেম দেবতা অমসুং মোইরাংথেম ওংবী সুবিতাগী মচানুপীনি। মহাক এস সী ঈ এ এস দি ওগী শান্নরোয় অমসুনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা এস সী ঈ এ এস দি ওগী এদভাইজর এম তৌরাংবা অমসুং হৈরোক পার্ট-টুগী উপ-প্রধান টি ঐচ সুবদনীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## কিংস এম সী জেনা বেরুখুদম থোইখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

থুংচেং য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা চত্থরিবা অহানবা থুংখু ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা কিংস এম সী জেনা বেরুখুদমবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কিংস এম সী জেগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু পাওলিন অমদি আর্মষ্ট্রোংনা চনখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ননটাল এফ সী অমদি মেলহোই এফ সী গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা থুংচেং এফ সীনা সেন্ট পেটুং এম টিবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

থুংচেং এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জে এস মোসেস, এস টি শিংভাল অমদি এল কে মেক্সননা চনখিবনি।

## আর এফ সীনা কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস): দি এস এ ককচীংনা শীন্দুনা লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রোয়ল ফুটবোল ক্লব (আর এফ সী) হিয়াংলম ৱাবগাইনা কাদাজিৎ য়ুঠ ৱেলফ্যের এসোসিএট ক্লব (কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী) ৱাবগাইবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই ঙানবা অমদি এম দি সলমাননা শান্নবগী ১৯ অমদি ২৬ শুবা মিনটতা আর এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং চনবা ঙমখি। কে ৱাই দব্লিয়ু এ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ঈ দিঙ্কুনা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরি ঐচ অজোয়না আর এফ সীগী সী ঐচ রাজখান অমদি কে ৱাই দব্লিয়ু এ সীগী কেলভিন য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

### খেলো ইন্দিয়া য়ু-১৭ ষ্টেট লীগ

# দব্লিয়ু এফ এ, ৱাই দব্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট লীগ ফোর অন্দর-১৭ গর্লসকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱিমেন্স ফুটবোল একাদেমি (দব্লিয়ু এফ এ)না এফ সী ইম্ফালবু লাকচনা ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

খুমুকচম ভুমিকানা শান্নবা হৌরকপগী ১২ শুবা মিনটতা দব্লিয়ু এফ এগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনখি। মালেমঙানবী নাওরেমনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা দব্লিয়ু এফ এগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি আর দি রিংনিদমনা এফ সী ইম্ফালগী থোকচোম ওলিভিয়া অমদি সোরাম মিরাবাই শান্নবগী ৩০ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দি য়ং ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী)না য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু পি এস এ)বু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। হোইনৈহটনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। তোইজম থোইবীসনা চনুনা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সীগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

## য়ু এম এফ সী, ঐচ য়ু দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

দি এফ এ থৌবালনা শীন্দুনা চত্থরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ঙসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু এম এফ সী থৌবাল মোইজিং অমদি হৈরোক য়ুনাইটেদ (ঐচ য়ু) গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

## এল এস কে কাংখূৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

শীংজমৈ কাংখূৎনা শীন্দুনা চত্থরিবা ওইনাম চার্লি কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এল এস কে কাংখূৎনা শীংজমৈ এ কাংখূৎপু পাঞ্জল ১৯-১০দা মায়থীবা পীখ্রে।

## বমবম অমদি গোরোবা তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল,নবেম্বর ২(ঐচএনএস):

হন্দক্তা ওক্টোবর ২৮দগী ৩০ ফাওবা মুম্বাইগী পি ঈ সীদা পাঙথোকখিবা এ আই এম এম এ এফ নেসনল এম এম এ চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবা ষ্টেটকী ফাইটর ২ থৌনাওজম বমবম অমদি থোইদিংজম গোরোববু ঙসি তোপ য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা তোপ মখা লৈকাইদা লৈবা ক্লবকী শঙলেন্দা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তোপ য়ুঠ ক্লবকী এদভাইজর নিংথৌজম ইনাওচা, লৈখুরাম ইবোমচা অমদি এস্টেক ফাইট ষ্টুদিওগী ফাউন্দর ডা. থাংজম প্রেমানন্দনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিদা থৌনাওজম বমবমনা কেজি ৫২ অদুগা থোইদিংজম গোরোবনা কেজি ৬১ কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখিবনি।





HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)




HL-P/4575/1-30/11

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 617**

**GM David Paravyan (2589) - FM Christopher Guzman (2250)**
**Titled Tue 4th Oct Late chess.com INT (2), 2022.10.04**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.e5 Bf5 | 4.h4 h5 |
| 5.Bd3 Bxd3 | 6.Qxd3 Qa5+ | 7.Bd2 Qa6 | 8.e6 Qxd3 |
| 9.exf7+ Kxf7 | 10.cxd3 Nf6 | 11.Nf3 Nbd7 | 12.Ng5+ Kg6 |
| 13.Nc3 e5 | 14.Ne2 Bd6 | 15.f4 exd4 | 16.f5+ Kxf5 |
| 17.O-O+ Kg6 | 18.Bf4 Bc5 | 19.Bc7 Rhe8 | 20.Nf4+ Kh6 |
| 21.Nfe6 Bb6 | 22.Bxb6 axb6 | 23.Nc7 Nc5 | 24.Rf3 Kg6 |
| 25.Raf1 Rec8 | 26.Nxa8 Rxa8 | 27.b4 Ncd7 | 28.Ne6 Kh7 |
| 29.Nxd4 Ra4 | 30.Rf4 Rxa2 | 31.Ne6 Rd2 | 32.R4f3 Ne5 |
| 33.Re3 Nfg4 | 34.Ng5+ Kg6 | 35.Ree1 Rxd3 | 36.Ne6 Rb3 |
| 37.Nf8+ Kh6 | 38.Rf5 Nd3 | 39. ... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 616 Ans. :**

37. Qxd6 The white queen deflects Black's queen away from protecting the square a2. Opening the line from a2 to g8. Qxd6 38. Ba2+ Qe6 39. Bxe6# Morphy's mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com